# লোক্তাক পাৎ উরুবদা

আর কে সনায়াইমা সিংহ


থাঙ্গদগী করাং তান্না লোক্তাক ইয়াইদা হি হোন্দুনা চৎলিবা করাংগী খুঞ্জা খরা


লোক্তাক পাৎকী অকোয়দা লৈরিবা কেন্দ্র মরিগী এম এল এশিং


থাঙ্গ অমদি করাংগী মরক্তা তৌবা য়াবা মপান লমদা তৌনবা কেবল কার

**ইম্ফালদগী** মাইল ২৫রোম হায়থরগা লৈবা মোইরাংগী সেন্দ্রা টুরিষ্ট লোদজ হায়না খঙনবা মফম অদু থা ২/৩ গী মমাঙদা সেনিয়র সিটিজনগী অহল খরগা য়েংজরুই। মফম অদু য়েংলুবদা অসুক্কী মতিক ফজখ্রে, পূক্নিং হুনিঙাই ওইবা মালেমগী খূৎশেমগী মথক্তা আর্টিফিসিএল ব্যুটিফিকেশন য়াওশিল্লকপনা হায়নিংঙাই লৈতনা ফজবা অমসুং মগুণ হেনগৎলি। ফেসবুক্কী ফাউণ্ডর মাক জুকর বর্কনা ইন্দিয়াগী আগ্রাদা লৈবা তাজমহলবু মমীৎমক্না উদ্রিঙৈদা ফজৈ হায়না হায়না শিংথাখি। মমীৎমক্না উরবা মতমদদি মহাক্না শিংথাখিবা অদুদগী শরুক তরা হেন্না তাজমহলনা ফজরম্বদা মাক জুকর অঙকপা ফাওখি। মাক জুকরনা তাজমহল উবদা ফাওখিবা অদুম হায়না মোইরাংগী লোক্তাক পাৎ অসিসু য়েংলুবদা অঙকপা ফংনা ফজরম্বদা নত্তনা লোক্তাক পাৎকী মায়কৈ খুদিং য়েংলুবদা মীৎফম হোংবা ঙমখিদে। অসুক ফজখ্রবা ইন্দিয়াগী মনুংদা মমিং লৈরিবা পাৎ অসিবু মণিপুর লৈঙাক্নদি ইথৌ থৌশাবিদে। ফোরেন্নর লাকপা খুদিংমক্না লোক্তাক পাৎ য়েংদনা চৎখিবা অমতা য়াওদ্রিবনি।

কোলকটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ফাওবদা লোক্তাক্কী মতাংদা নম্বা পবনকুমারগী "ফুমদি" না অহানবা মনা ফংলিবা অদুনি। অসুক্কী মতিক মগুণ লৈরবা লোক্তাক পাৎ অসি য়েংননবা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদগী অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী টুরিষ্টশিং লাকপা মশীং অসি চহী খুদিংগী ঈশিং ঈচাউদৌনা নোংমা কাংদনা হেনগৎলক্লি। অদুবু ৱর্ল্ডগী অমদি ইন্দিয়াগী টুরিষ্টশিংনা লাকপদা চৎনরিবা লম্বী অসি টিদ্দিম রোদতগী লম্বী সেন্দ্রা তাবা অসিনি। মসি অসুক্কী মতিক ফৎখিদ্রে মদুদি বিষ্ণুপুরদগী নিংথৌখোং, নিংথৌখোংদগী মোইরাং তাবা লম্বী অসিনি। টুরিষ্টশিংনা লাকপদা য়াম্না ইকায়বা মওংনি। লম্বী অসিদা নুংতিগী তৎতনা এম এল এ মরি মখোয়গী এস্কোর্টকা লোয়ননা চৎলি। মিং ওইনা পনবদা মোইরাং কেন্দ্রগী এম পৃথিবীরাজ, বিষ্ণুপুর কেন্দ্রগী গোবিন্দাস কোন্থৌজম, থাঙ্গ কেন্দ্রগী তোংব্রম মঙ্গীবাবু সিংহ অমসুং কুম্বী কেন্দ্রগী সনসম বীরা সিংহনি। ওনরেবল এম এল এশিংনা অসুক মরু ওইখ্রবা লম্বী অসিবু করিমত্তা থৌশাবীদ্রিবা অসি য়াম্না নুংঙাইজদে। অদুগা য়াম্নসু লাইবক থীবনি।

মোইরাং অসিদি সেন্দ্রাগী টুরিষ্ট লোদজ লৈবতা নত্তনা য়াম্না মরু ওইবা নেটাজিগী আই এন এগী মেমোরিএল কমপ্লেক্স অমসু ওইরিবনি। মোইরাংদগী সেন্দ্রা তাবা লম্বী অসি অহানবদদি য়াম্না ফৎলমদে। মতম অদুগী মণিপুরগী সি এম ওইরম্বা মাইরেম্বম কোইরেংনা প্লান্নিং কম্মিসন্দগী থাদরকপা শেনফমনা শেম্বনি। অদুবু হৌজিক্কী লৈঙাক্নদি অহোংবা অমত্তা পুরকপা উদে। মমাঙঙৈদা ওনরেবল সি এমনা মণিপুর অসি গ্রিন সিটি অমা ওইহন্নবগী উ-ৱা, লৈ খরা থাবা উরম্মী, হৌজিক্তি মমিং ফাওবা পন্নখিদ্রে। লোং ভিজন অমগী মখাদা থবক পাঙথোকহন্নিংই। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনবা থবক তৌবনদি প্রজানা থাগৎনিংঙাই ওইরোই।ইন্দিয়া লৈঙাক্না লোক্তাকপু মশক খঙবিদুনা লুপা ক্রোর কয়া থাদরে হায়বা পাউ চেগী থোংদা থেংনজরে। অদুবু লোক্তাক্কী ফুমদি লোক্তাক্কী মপান্দা লেংদনা লৈরি।

ঈশিং ঈচাউ থোক্লকপদা লোক্তাক্তা তারিবা তুরেল ১৬ অসিনা চেন্থরকপা বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ময়াম অসিনা হু চেনবা ঈশিং ওলহন্নবগী মচাক অমা ওইহল্লে। চহী অমদা লোক্তাক্তগী ফারিবা ঙা অসি মেত্রিক টন লিশীং ৫ গী মথক্তা ফারিবনি। অদুবু লৈঙাক্না ঙামীশিংগী মতাংদা ইথৌ থৌশাদে।

লোক্তাক্কী অকোয়বদা ঙামী ময়াম অমা তারিবা অদু লৈঙাক্না মরম চানা য়েংবিবগী মহুত্তা মখোয়না ঙামীশিংবু মাঙহন তাকহনবসু য়াওখ্রবনি। ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ অসিসু অচৌবা প্রোজেক্ট অমা ওইনা পায়খৎহন্নিংই।

মোইরাংগী টুরিষ্ট লোদজ অসি হৌজিক্তি ক্লাসিক হোটেলনা রন তৌবদগী অহোংবা খরা লৈহৌরে। মদুদা চান-থক্নবা মরাং কায়না ফংবদা নত্তনা অকোয়বদা সাইদ সিয়িংগী ফমফমসু মতিক চানা লৈহৌরে। বোর্দিং/লোদজিংসু লোইশিনগী থাক্তা লৈহৌরে। বোর্দিং রেন্টতি য়াম্না তাংহৌই। কা অমদা লুপা ৩০০০ নি হায়।

মালেমগী লৈবাক কয়াদি চাওখৎপগী থাক্তা লমজেল তান্নরি। মণিপুরদসু কেবল কার সিষ্টেম অসি হৌদোক্নুনা অথাপ্পা লম অমগা অমগা ফাওনবদা মতেং ওইগনি। ইন্দিয়াগী মফম খরদসু কেবল কার সিষ্টেম অসি লৈখ্রবনি। করাংগা থাঙ্গগা লম্বী অসি কেবল কারগী মতেং লৌরবদি মতম ইচং চঙদনা ঙাইহাক লৈতনা ফাওনবা য়াগনি। ইনক নকপা আসামগী চা বগান ফাওবা মসিগী সিষ্টেম অসি লৈখ্রবনি। ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা সহরদসু য়াম্না তৌনরে।

মোইরাংদগী ইরাপ লাপ্তুনা থাঙ্গ তাবা লম্বীদা লৈবা কৈবুল লমজাওদা মালেমদা তাংনা ফংলিবা সঙাই হায়রিবা শা মখল অসি লৈরিবনি। হায়রিবা তাংলবা শা অসি ফুমদি মথক্তা চেন চোংদুনা হিংদুনা লৈরিবনি। মখোয়গী মরু ওইবা চীঞ্জাক্তি ফুমদিদা হৌবা হুপ্পা ওই। অসুক মমল য়াম্লবা সঙাইগী মমিং থোন্দুনা সঙাই ফেষ্টিভেল পেলেস কম্পাউন্দদা তৌখিবা ইকুই কুইদ্রি। মমিংদি সঙাই ফেষ্টিভেল হায়না কৌরগা মশাদি উবা ফংদবা অসি লৈঙাক্কী থৌশিল হৈতবদগীনি। সঙাই ফেষ্টিভেল মনুংদা অহিংবা সঙাই ২/৩ দা ফেষ্টিভেল এরিয়াগী সেন্টর চাবা মফম অমদা জালিনা কোইশিল্লগা মখোয়গী চানবা মচীঞ্জাক অমদি ঙাইহাক চোং ফন্দুনা শান্নফম অমা শেম্বীরগা থম্বদা ফেষ্টিভেল অদু মগুণ হেনগৎকনি। মসিদা থোইদোক হেন্দোক্না পৈশা চঙগদবসু নত্তে। মথং চহীগী সঙাই ফেষ্টিভেলদদি অশেংবা সঙাই উৎপীয়ু অদু ওইরবদি সঙাই ফেষ্টিভেলগী মগুণ ১০০ দা ১০০ হেনগৎকনি। ফোরেন্নর কাঙবুনসু কৈবুল লমজাও তান্না চৎতুনা সঙাই মশক য়েংলুবা মওং মরিল ইতা তারোই। হায়নবা অমদি লৈ মদুদি, "লোক্তাক্না হকচাং থোংনি/ চেল্লিবা তুরেলশিংনা শিংলি-নাওরিনি।" হকচাং ওইরিবা লোক্তাকপু খূৎশেমগী ইথাই দামনা থীংজিল্লে। মরম অসিদগী নোং হেক চুবগা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ থোক্লে। মশা মশাগী কন্সার্ট্যুএন্সিশিংদমক য়েংবা মীৎয়েং থাদোক্লসি। ময়ামগীসু ৱাখল খনবা মতম ওইরে। পাৎ অসিবু কোল্লিবা কেন্দ্রগী মরিগী ইকায়খুম্নরবা এম এল এশিংনসু থৱায় য়াওনা হোৎনবিরবদি লোক্তাক পাৎ অসি মালেমগী মীয়াম্না খঙনরিবা অসিগী হেন্না খঙনবা হেনগনি হায়না খল্লি। লোক্তাক পাৎ চাওখৎলকপা হায়বসি লৈবাক অসিসু চাওখৎকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা মতেং পীগদৌরিবনি হায়বসিসু খঙবীফম থোকই।

# মালেমদা সেপাক তাক্রৌ



খোমদ্রাম দোরেন্দ্র

**মালেমদা** লৈরিবা মশান্নশিং অসিগী করম্না শান্নবা, হৌরকফমনচিংবা লৈনবগুম সেপাক তাক্রৌগীসু লৈজে। সেপাক তাক্রৌ নৎত্রগা সেপাক রাগা নৎত্রগা এক্রোবেটিক বোলি হায়না খঙনবা মশান্না অসি বোলিবোলদৌনদি তৌরগা খোঙনা মিটর ১৬.৪ (ফুট ৪৪) শাংবা অদুগা মিটর ৬.১ (ফুট ২০) পাকপা কোর্টতা হৌজিক্কী মতমদদি সেট অমদা পোইন্ট ২১ লৌবা হানবা তান্নবা মশান্না অমনি। মশান্না অসিদা বোলিবোল, সোকর (ফূটবোল) অমসুং বেদমিন্টন মশান্না অহুম অসিগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা মওংশিং য়াওরবা মশান্না অমনি। সেপাক তাক্রৌদা বোলিবোলগী মওংগুম টিম কম্বিনেসন, সোকরগী হনবা নাইদ্রবা চোকথদ্রবা অমসুং বেদমিন্টনগী ফিটনেস ওইবগী মওং য়াওবা মশান্ননি। বোল কন্ট্রোলগা লোয়ননা পূংদা কিলোমিটর ১২০ গী মথক্কী চাংদা য়াঙবদা এক্রোবেটিক কিকতা শান্নরক্নবা স্কিল গেমগী মশান্না অমনি। এসিয়াখক্তদা শান্নরম্বদগী পৃথিবীগী মহাদেশ শীনবা থুংনা শান্নরে হায়বা য়ারে। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ৫০গী মথক্তা শান্নরে।

**ইতিহাস ঃ**

সেপাক তাক্রৌ ঙসিদগী চহী ১০০০ হেনবগী মমাঙ মাপলশুবা শতাব্দী কুমজা ৮৯১ দগী এসিয়াদগী শান্নবা হৌরকখি। মতম অদুদা শান্নবগী মওংদি কোয়শিল্লগা লীনা শাবা বোলদা মথক্তা কাওখৎহন্দুনা তাহন্দনা শান্নরম্মী। শিন্মীশিংনা পোৎথাবা মতমদা য়াম্না পাম্ননা শান্নবা মশান্না অমসু ওইরম্মী। মালয়শিংগী ট্রেদিসনেল মশান্না অমসুনি। তরামঙাশুবা শতাব্দীদা মালকাগী রোয়েল কোর্টতা য়াম্না পাম্ননা শান্নবা মশান্না অমসু ওইরম্মী। মারকো পোলোনা চিনাদগী মশান্না অসিগী মওং পুরক্নগা য়ুরোপতা শান্নহনখি হায়নৈ। সেপাক তাক্রৌ পৃথিবীগী লৈবাক কয়ানা মাগী মাগী মরোলদা মালেসিয়ানা সেপাক রাগা জরিং, থাইলেন্দনা তাক্রো, সিঙ্গাপুরনা বোলা সেপাক রাগা, ব্রুনৈনা সেপাক রাগা জালা, ইন্দোনেসিয়ানা রাগো, ম্যান্মারনা চিঙলুঙ, চাইনানা তেংর্চিউ, শ্রীলঙ্কানা রগা, লাউজনা কাটোর, ফিলিপিন্সনা সিপা হায়না থোন্দুনা শান্নৈ। কুমজা ১৯৪৫ দা মশান্না অসিবু চাওখৎনবা হেন্না পাকথোক-শন্দোক্না শান্নবা মালেসিয়ানা পেনাংদা দিমোন্সট্রেসন অমসুং একজিবিসন তৌখি।

কুমজা ১৯৬৫ দিসেম্বর ১৯ দা এসিয়ান সেপাক তাক্রৌ শেম্বগা লোয়ননা মালেসিয়া, থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া, লাউজ অমসুং সিঙ্গাপুরগী মীহুৎশিংগী মীফম অমনা য়াম্না কূপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা য়ানবা অমগী মখাদা 'সেপাক তাক্রৌ' হায়বা মমিং অসি থোনখি। ৱাহৈ অসি লোন অনী মালেসিয়া, সিঙ্গাপুর, ইন্দোনেসিয়াগী লোন 'সেপাক' হায়বদি কাওবা অদুগা থাইলেন্দগী লোনদা 'তাক্রৌ' হায়বদি বোল হায়বনি। ৱাহৈ অনী অসি পূনশিল্লগা বোল কাওবা হায়বনি। মশান্না অসি চাওখৎনবা মীয়াম্না শান্নবগী মওং খঙননবা অমদি শন্দোক্লবা লৈবাক কয়াদা মালেসিয়া, থাইলেন্দ, সিঙ্গাপুর টীমশিংনা একজিবিসন অমসুং দেমোন্সট্রেসন কয়া পাঙথোকখি। মার্চ ১৫ দগী ২১ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়া, ১৯৮০ গী এপ্রিল ৮ দগী ১১ ফাওবা চিনাদা একজিবিসন পাঙথোকখি। মালেসিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কুমজা ১৯৮২ গী নবেম্বর ১২দা মাপলশুবা এসিয়ান গেম্স মনুংদা নিয়ু দিল্লীদা অমদি মুম্বাই অমসুং নাগপুরদা একজিবিসন পাঙথোকখি। কুমজা ১৯৮৮ গী এপ্রিল ২৮ দগী মে ৫ ফাওবা জাপানগী টোকিওদা তৌখিবা ৱার্ল্ড ট্রেদিসনেল স্পোর্টস ফিয়ারদা একজিবিসন তৌখি।

কুমজা ১৯৮৮ গী দিসেম্বরদা বেঙ্কোকতা তৌখিবা এসিয়ান সেপাক তাক্রৌগী (এ এস টি এ এফ) মীফম্না ইন্টরনেসনেল সেপাক তাক্রৌ ফেদরেসন শেম্নবা ৱারেপ্পখি। কুমজা ১৯৮৯ গী দিসেম্বর ৮ দা বেঙ্কোকতা এস টি এ এফকী বাইনিয়েল জেনরেল মীটিংনা অনৌবা কাওন্সিল মেম্বরশিং খনবগা লোয়ননা অনৌবা মেম্বর ওইনা জাপান, খা-কোরিয়া, চাইনা লৌশিনখি। মীফম অদুনা চাইনাগী বৈজিংদা কুমজা ১৯৯০ দা তৌগদৌরিবা তরামাথোইশুবা এসিয়ান গেম্সতা সেপাক তাক্রৌ মশান্না য়াওরগনি হায়না লাউথোকখি। অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯০ দা বৈজিংদা তৌখিবা এসিয়ান গেম্সতা য়াওখি। কুমজা ১৯৯০ গী সেপ্টেম্বর ২৫ বৈজিংদা তৌখিবা জেনরেল এসোসিয়েসন ওভ এসিয়া স্পোর্টস ফেদরেসনগী মীফম্না এ এস টি এ এফ এফিলিয়েসন পীখি। কুমজা ১৯৯১ গী জুন ১৮ দগী ২২ ফাওবা খা-কোরিয়াদা অমসুং দিসেম্বর ১৪ দগী ১৭ ফাওবা জাপানগী মফম কয়াদা তৌখিবা একজিবিসনশিং টি ভিদা লাইফ তৌদুনা মীয়ামদা উৎখি। কুমজা ১৯৯২ গী মার্চ ৫ দা ফমখিবা এ এস টি এ এফকী জেনরেল বোদি মীফম্না ম্যান্মার অমসুং লাউজ এফিলিয়েসন পীখি লোয়ননা ইন্টরনেসনেল সেপাক তাক্রৌ ফেদরেসন শেমখি। ফেদরেসন অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট ওইনা থাইলেন্দগী মেজর জেনরেল চারুক অচারিকানবু অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা বুনচাই লোহরিপাতপু য়েৎনবা লৈতনা হাপখি। কুমজা ১৯৯৬ কী নবেম্বর ২৩ দা ফমখিবা আই এস টি এফ জেনরেল বোদি মীফম্না সেপাক তাক্রৌ হায়না ৱাহৈ অনী লৈরল্লিবা অসি অমেরিকা, য়ুরোপনচিংবশিংনা হায়বা নুংঙাইনবা ৱাহৈ অমত্তদা 'সেপাকতাক্রৌ' হায়না পূনশিনখি। মীফম অসিদা ফেদরেসন অসি জেনরেল এসোসিয়েসন ওভ ইন্টরনেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনদা এফিলিয়েট তৌরে হায়না লাউথোকখি।

**চাওখৎলকপা ঃ**

সেপাক তাক্রৌগী মশান্নগী মওং-মতৌ অসি অসুম অসুম হোংদোক্লকপনা অহানবা ওইনা কোর্ট নাইরগা নেট খন্দুনা শান্নবা হৌখিবা অসি কুমজা ১৯২০ দগীনি। মতম অসিদা শান্নবগী মওংদি ফূট ৬০ শাংবা হায়বদি নাকল নাকলদা ফূট ৩০ শাংবা ময়ায়দা ফূট ৬কা ইঞ্চি ১ ফাওবা ৱাংনা নেট খল্লগা শান্নরোয় তরুক্তগী নিপাল ফাওবা লৈনরগা টিম অমনা মঙারক ফাওবা শোকপা পোইন্ট ২১ লৌবা হানবা তান্নদুনা টাহিল ৩দগী ৪ ফাওবা লূম্বা লীগী বোলনা শান্নবগী নিয়ম চৎনরম্মী। কুমজা ১৯৩০ দা অহানবা ওইনা মশান্না অসিগী নিয়ম ইদুনা ফোঙদুনা পুথোকখি। নিয়ম অসিদা নাকল নাকলদা শান্নরোয় অহুম অহুম লৈনরগা টিম অমনা অহুম্লক শোকপা পোইন্ট ১৫ লৌবা হানবা তান্নবনি। কুমজা ১৯৬৭ তা অহুম্লকশুবা ওইনা শান্নবগী নিয়ম শেমদোক-শেমজিন তৌখি।

সেপাক তাক্রৌগী জজশিংগী ফীভম ফগৎনবা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল রেফ্রী ওরিয়েন্টেসন কোর্স অমসুং সেমিনার অমা কুমজা ১৯৮৩ গী মেগী ২৪ দগী ২৬ ফাওবা সিঙ্গাপুরদা পাঙথোকখি। কোর্স অসিদা ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্স, থাইলেন্দ, মালেসিয়া অমসুং সিঙ্গাপুরদগী লাকপা নুপা রেফ্রী ২৫ অমসুং নুপী ওবজার্ভর অনীনা শরুক য়াখি। অহানবা ইন্টরনেসনেল কোচিং সেমিনারনা মালেসিয়াগী কলালম্পুরদা কুমজা ১৯৮৪ গী জুলাই ১২ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখি। কোচিং সেমিনার অসিদা লৈবাক তরারোমদগী লাকপা মীওই ৩০ রোম্না শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগী ওইনা অইবা ইশামক য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৮৯ গী দিসেম্বর ৮ দা বেঙ্কোকতা ফমখিবা মীফম্না সেপাক তাক্রৌগী তরুক্লকশুবা ওইনা শান্নবগী নিয়ম শেমদোক শেমজিন তৌখি। নিয়ম অসিনা লীনা শাবা বোল শান্নরম্বদগী সিন্থেটিক (প্লাষ্টিক) না শাবা শান্নবা য়াহনখি। শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা ওফিসিয়েল বোলনা কোর্ট মনুংদা মিনিট অনী ৱার্মিং অপ তৌবা অমদি সেট খূদিংগী মিনিট অমগী টাইম আওট লৌবা য়াবগী নিয়ম হৌদোকখি। কুমজা ১৯৯২ গী মার্চ ৫ দা ফমখিবা এসিয়ান সেপাক তাক্রৌ ফেদরেসনগী মীফম্না তরেৎলকশুবা ওইনা সেপাক তাক্রৌ মশান্নগী নিয়ম অমসুং চৎন-পথাপ (কন্সটিট্যুসন) শেমদোকখি। শান্নবদা থোইনবা ঙমদ্রগদি পোইন্ট ৫ দা টাইব্রেক শান্নবা নিয়ম চৎনখি। টেকোং নৎত্রগা বেকনা বোলবু থেংখ্রবদি কোর্টকী মনুংদা লৈবা য়াবগী নিয়মনচিংবসু মীফম অদুদা নিপাল্লকশুবা ওইনা নিয়মশিং শেমদোকখি। ৱাহৈ অনী লৈরম্বা সেপাক তাক্রৌ ৱাহৈ অমত্তদা পূনশিনখি। কুমজা ১৯৯৬ কী নবেম্বর ২৩ দা ফমখিবা আই এস টি এ এফকী জেনরেল মীফম্না অনৌবা কাওন্সিল মেম্বর খনবগা লোয়ননা মাপল্লকশুবা ওইনা শান্নবগী নিয়ম শেমদোকখি। নিয়ম অসিদা টাইব্রেকতা পোইন্ট ৬ লৈদুনা পোইন্ট ৩ দা সাইদ ওন্নবা অমদি টাইব্রেককী শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা অম্পয়ারনা টোস তৌদুনা করম্বা টিমনা হান্না হৌগদগে হায়বদু লেপথোক্কনি। সার্কল ইভেন্টকী নিয়ম শেমদোক শেমজিন তৌখি। কুমজা ১৯৯৭ কী জুন থাদা থাইলেন্দগী নাকোসাৱানদা তৌখিবা ১৩শুবা কিংস কপতা অহানবা নুপীগী ওইবা ইন্টরনেসনেল লেভেলদা পাঙথোকপা হৌখি।

কুমজা ১৯৯৮ গী ফেব্রুৱারি ২৮ দা বেঙ্গোকতা সার্কল ইভেন্টকী মতাংদা আই এস টি এ এফকী টেক্নিকেল কমিটিগী মীফম্না খন্ন-নৈনখি। সেপ্টেম্বর ১৪ অমসুং ১৫ দা সার্কল ইভেন্টকী ওইবা অপগ্রেদিং অমসুং অম্পয়ার কোর্স অমা পাঙথোকখি। কুমজা ১৯৯৮ দা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা এসিয়ান গেম্সতা অহানবা ওইনা মেদল তরুক নুপা অমসুং নুপীগীদা টীম রেগু অমসুং সার্কল য়াওবা হৌখি। কুমজা ১৯৯৮ দা মালেসিয়াগী ক্বালা লম্পুরদা তৌখিবা কমনৱেল্থ গেম্সতা এসিয়াগী লৈবাক নত্তবা কয়াগী মমাঙদা সেপাক তাক্রৌ মশান্না অসি দেমোন্সট্রেসন তৌদুনা উৎখি। সেপাক তাক্রৌ মশান্না অসি হেন্না ফগৎনবা এ এস টি এ এফকী কমিটিগী মথক্তা আই এস টি এ এফকী রেফ্রি অমসুং কোচিং কমিটি শেমখি। রেফ্রি কমিটি অসিনা অহানবা ওইনা রেফ্রি কোর্স কুমজা ১৯৯৯ গী জুন ১৮ দগী ২৭ ফাওবা সিঙ্গাপুরদা অদুগা ২০০০ গী মার্চ ২৩ দগী ২৬ ফাওবা মালেসিয়াগী কাউটানদা কোচিং কোর্স অমসুং সেমিনার পাঙথোকখি। কুমজা ২০০০ গী নবেম্বর ১৮ দা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা আই এস টি এ এফকী কোংগ্রেসনা তরামাথোইরকশুবা ওইনা সেপাক তাক্রৌগী শান্নবগী নিয়ম শেমদোকখি। হান্না সেট অমদা পোইন্ট ১৫ ওইরম্বদু ২১ ওইহন্দুনা সর্বিস চেঞ্জ লৈতনা পোইন্ট লেপ্তুনা লৌনবা অমদি টাইব্রেকতা পোইন্ট ১৫ অদুগা পোইন্ট ৮ দা সাইদ চেঞ্জ তৌনবগী নিয়ম চৎনবা হৌখি। সার্কল ইভেন্টকী মহুৎতা টার্গেট ইভেন্ট হায়না থোন্দুনা সেপাক তাক্রৌগী কোর্ট, সেট অমদি শান্নরোয় মশীং মান্নবদা নেটতা ময়ায়দা মিটর অহুম ৱাংবদা মিটর অমগী সার্কল অমগা থল্লগা বোল অদু সার্কল অদু লীৎনা কাওনবনি। ইভেন্ট অসি সেট অনী অনী শান্নগনি সেট অমগী মতমনা মিনিট ১০ নি।

**সেপাক তাক্রৌগী শান্নবগী নিয়ম শেমদোকখিবা চহী অমসুং মফম ঃ**

১৯৩০ — অহানবা অনম্বা সেপাক রাগা নিয়ম পুথোকপা।
১৯৬০ — কলালামপুরদা ফগৎলবা নিয়ম চৎনবা হৌবা।
১৯৬৫ — কলালামপুরগী অহুমশুবা সিপ গেম্সতা অনীরকশুবা ওইনা নিয়ম শেমখি।
১৯৬৭ — বেঙ্কোকতা মরিশুবা সিপ গেম্সতা অহুম্লকশুবা ওইনা নিয়ম শেমখি।
১৯৮০ --- সিঙ্গাপুরদা অহানবা এসিয়ান গেম্সতা মরিরকশুবা ওইনা নিয়ম শেমখি।
১৯৮৫ — বেঙ্কোকতা ১৩শুবা গেম্সতা মঙারকশুবা ওইনা নিয়ম শেমখি।
১৯৮৯ — বেঙ্কোকতা থাই কিংস কপতা তরুক্লকশুবা ওইনা নিয়ম শেমখি।
১৯৯২ — বেঙ্কোকতা থাই কিংস কপতা তরেৎলকশুবা ওইনা নিয়ম শেমখি।
১৯৯৪ অমসুং ১৯৯৬ তা নিপাল্লক অমসুং মাপল্লকশুবা ওইনা নিয়ম শেমদোকখি।

# লাইব্রেরিগী মখলশিং অমসুং থৌদাং



সোবিতা মোংজম

**ৱাহৌদোক :**

লাইব্রেরি হায়রগা ঐখোয়না করিবু খঙনবগে হায়বা মমূৎ তানা খঙদ্রিঙৈদা মানা লৌরিবা থৌদাংশিংদু হান্না নৈনরুরগদি ঐখোয় তশেংনা অরানবা তারগনি অদুনা অহানবদা লাইব্রেরি হায়বসি করিনো হায়বদু নৈনবা তাই, লাইব্রেরি হায়বসিগী ৱাহন্থোকসি লাইরিকশিংবু খোমজিন তাশিল্লগা পৈশিন্দুনা থম্বা মফম হায়নসু হায়নৈ, ৱাহৈ অসিমক্তি লেটিনগী ৱাহৈ লিরবা "A book" হায়বসিদগী হৌদোরকখিবনি, লাইব্রেরি হায়বসিদা তঙাইফদনা চংলিবা পোৎচং অহুমদি : কা নৎত্রগা বিল্ডিং অমা, মীয়াম্না পানবা লাইরিক অদুগা অরোইবদা লাইরিকশিং অসিবু পাবিনবা মী অসিনি। লাইব্রেরিগী মপা হায়না খঙনবা এস আর রঙ্গানাথননা তাকপীরম্বা মতুংইন্নদি লাইব্রেরি হায়বসি পব্লিক হায়বদি মীয়ামগী ওইবা ইন্সত্রক্সননি, মসিনা মীওই খুদিংমকপু এদ্যুকেসন পীগদৌরিবনি, খোমজিন-তাশিন্দুনা পৈশিল্লগা থল্লিবা লাইরিকশিং অসিগা চেকশিন্না শেন্নবীনবা মী অমসু দরকার লৈ অদুগা পানিংলিবা নৎত্রগা ফংনিংলিবা ঈ-পাউ অদু মতাং মতাংদুগী ওইনা থিবীরগা পাল্লিবা মীওইশিং অদুদা য়ৌহনবা অদুবুনি লাইব্রেরিয়ান্দুগী মথৌ।

**লাইব্রেরিগী মখলশিং ঃ** ঐখোয় মীয়াম্না খঙনবদা লাইব্রেরি হায়বসি মখল অহুম থোক্না খাইদোকপা য়াই, মখোয়শিং অদুদি-একাদেমিক, পব্লিক অমসুং স্পিসিয়েল লাইব্রেরিনি।

**ক) একাদেমিক লাইব্রেরি ঃ** ঐখোয়না থেংনবদা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা লাইব্রেরি মখল অসিবু একাদেমিক লাইব্রেরি হায়না খঙনৈ। মসিগী লাইব্রেরি অসিদদি ঐখোয়-ঐখোয়না তল্লিবা কোস ওফ ষ্টদি অদুগা মরী লৈনবা সিলেবসতুনা কোনশিনবা মরী-মখোং শম্নবা লাইরিকসিনা অয়াম্বা ফংগনি অদুগা রিছর্স স্কোলরশিং, মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা অয়াম্বা অপাম্বা খুদিংমক একাদেমিক লাইব্রেরিদগী ফংগনি।

**খ) পব্লিক লাইব্রেরি ঃ** পব্লিক লাইব্রেরি হায়বসিদি মখল খুদিংগী মীওই খুদিংনা পাবা য়ারবা লাইব্রেরিনি। মসিদা নুপী-নুপা, অঙাং-অহল, জাৎ-বীজাৎ খায়দনা পানিংবা লাইরিক পাবা য়ারবা মফম্নি। মখল খুদিংগী লাইরিক খুদিংমক মফম অসিদা ফংগনি। খুদম ওইনা কৈশাম্পাৎ বস পার্কিংদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি অমদি দিষ্ট্রিক/দিষ্ট্রিকশিংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক লাইব্রেরিশিং অমদি ক্লবনচিংবদা লৈনরিবা লাইব্রেরিশিং অমসুং মণিপুর ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী মীৎয়েং মখাদা হাংদোক্লিবা লাইব্রেরিশিং অসি পব্লিক লাইব্রেরি ঙাক্তনি।

**গ) স্পিসিয়েল লাইব্রেরি ঃ** স্পিসিয়েল লাইব্রেরি হায়রগা ঐখোয়না স্কুল, কোলজ, য়ুনিভর্সিটি লাইব্রেরিদা লৈরিবা অসিগা অয়াম্বনা মান্নজরগসু স্পিসিয়েল লাইব্রেরিদা থল্লিবা লাইরিকশিং অসিগদি খরা খেন্নে, শম্না হায়রবদা মেদিকেল, এগ্রিকলচরেল, ইঞ্জিন্যারিং, আইন (লো কোলেজগী), গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক অসিনচিংবা মফমশিংদা ফংলিবা লাইরিকশিং অসিদি স্পিসিয়েল হায়বদি অখন্নবা হীরমখক্তদা তম্বা ওইনা তৌবনিনা মখোয় মখোয়গী অখন্নবা ট্রেদতুগী লাইরিক খক্তমক ফংগনি অদুগা এগ্রি কোলেজদা এগ্রিখক্তগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং, মেদিকেল কোলেজদনা মেদিকেলগা মরী লৈনবা, লো কোলেজদনা লোগী মরমদা নৈনবা লাইরিকশিংনা অয়াম্বা ফংগনি। অসিগুম্বা মখলগী লাইরিক থম্ফমশিং অসিবু ঐখোয়না স্পিসিয়েল লাইব্রেরি হায়না খঙনৈ।

**খুন্নাইদা লাইব্রেরিনা লৌরিবা থৌদাং ঃ** হৌজিক্তি মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক লাইরিক হৈহল্লসি হায়বগী পান্দমদনি, National κnowledge Commission, Right to Education Act অসিনচিংবা কয়া লিংখৎনরক্লিবা, শেমগৎনরক্লিবা অসি। লাইরিক হৈহৌদ্রবা মীদি উনা উনা মীৎ তাংবগা পাঙ্খকনি হায়নরিবনি। লাইব্রেরিনা লৌরিবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মসিগী থৌদাংসি অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। মসিগী মতাংদা J.H. Shera না অসুম্না তাকপীরম্মী মদুদি, "The Library is a product of our cultural maturation".

লাইব্রেরিদা চঙদুনা ঐখোয় মীওইবনা ৱাখল-লৌশিং তানশিনবনা ঐখোয়বু চাওখৎপগী লমজেলদা পুশিনবা ঙমগনি। ঐখোয়না ফংঙমদ্রবা লৌশিং কয়া লৌশিংগী পুক্কে ওইরিবা লাইব্রেরিদা ফংবা ঙমগনি, অতোপ অতোপ্পা জাতিগী চৎন-লোনচৎ ঐ ইশা-ইশাগী ইজাতিগী আইদেন্টিটি, অদুনা পাবা ঙমজদবা য়াম্নদি পাজনিংবা লায়রবা মহৈরোয়শিং, অহলগী লাইরিক পাফম কা, অঙাংশিংনা পানিংলিবা লাইরিকশিং অসিনচিংবা মখল খুদিংগী লাইরিক পাহন্দুনা খুন্নাই অমা শেমগৎ শাগৎপদা লাইব্রেরিনা চাউরবা রোল কয়া লৌরি। লাইরিক হৈতবা, ৱাখল-লৌশিং য়াওদবা ঐ অমনা করম্না চাওখৎপা পুরক্কদগে, ওইথোক্তবনি অদুনা ঙসিদি ঐখোয় পূম্নমক্না লাইব্রেরি করিনো, মসিগী কান্নবনা কদায়দনো ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নসি, লাইব্রেরি চঙদুনা লাইরিক পাবগী হৈনবী থমসি। ইপা-ইপুশিং অমদি মাইচৌশিংনা ঐখোয়গীদমক থম্বীরম্বা পুক্কে-লনগৈ চেকশিন্না শেন্নদুনা কান্নবদু লৌমিন্নসি। ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌরকফমগী মতাংদা ওইরো, অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা অরিবা চৎনবী ময়ামগী মতাংদা ইবিরম্বা, য়েকপীরম্বা কয়াশিং অসিগী রেকোর্দ ময়ামদু প্রিজার্ভ তৌবিদুনা লাইব্রেরি হায়বসিদা থম্বীরল্লিবনি, মতম অমদা মণিপুরগী লাইব্রেরি অমসুং আর্কাইব পূন্না লৈমিন্নরম্মী। ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি অসি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না Department of Art and Culture গী মখাদা হৌজিক্তি তোঙান-তোঙান্না লৈনখ্রে, মতম অমদা লৈবাক্কী ঈহৌ অমখক্তা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা চাউখ্রবা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি মৈ থাদোক্তুনা মাংহনবীখিবা অদুনা ঙসিদি ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইখোঙদা থাংনা য়ানশিনজবগুম অরু-অরুবা মতম কুইনা অমুক থিবদসু ফংবা ঙম্লরোইদবা লাইরিক কয়া মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখিবদগী ঐখোয় ঙসি ফাওবা অৱাৎপা অসিবু অমুক হন্না মেনখৎপদা ৱানা থোক্লি।